হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ফেব্রুৱারী ০২, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৩০০শুবা মশীং

# হয়িং পাইরকপদসু চেকশিল্লসি লৈঙাক্লসু কন্ত্রোল তৌহৌবা চুমগনি

ফাইনান্সিএল কম্পেনি হায়গদ্রা নৎত্রগা গ্রুপ হায়গদ্রা অমগী মেনেজিং দিরেক্টরনি হায়বা মীওই অমা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি) না জন্যুৱারী ৩০, ২০২৩দা ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) গী কোর্টতা পুথোরকখ্রে। ঈ দিগী মায়কৈদগী মহাকপু নুমিৎ ১৫নিগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। প্রেয়র অদু কোর্টনসু অয়াবা পীবদগী জেলদা থাজিনখিবনি। মহাক ঈ দিনা 'প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট' (পি এম এল এ) গী সেক্সন অনীগী মখাদা লৌখৎপা কেসকা মরি লৈননা জন্যুৱারী ২১, ২০২৩দা কোলকটাগী মফম অমদগী ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা মতুংদা কোর্টসিদা পুথোক্তুনা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌরগা থল্লকখিবনি। অদুগা রিমান্দগী মতম লোইরদুনা জুদিসল রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা পুথোরক্লগা জেলদা থাজিনখিবনি। মসিনা মহাক্কুম্বা মীওইশিংগী মথক্তা কেস লৌখৎপা ঙম্বা, ফাবা-পুনবা তৌবা ঙম্বা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অমসুং কোর্টকী ওইবা থবক-থৌরমশিংগী ওইবা ৱানি। য়েংবা য়ারিবদি ঈ দিনা মঙোন্দা শীরিবা মরালদি মহাক্না লুচিংবা কম্পেনি নৎত্রগা গ্রুপ্না মণিপুরগী মীওই লিশীং ১৫ রোম্বু নমথাক তৌদুনা ইনভেষ্টরশিং ওইহল্লগা য়াল্লবা লুপা ক্রোর ৬০০ লোমগী শেনফমশিং খোমগৎলম্মী অদুগা গুরগাউন য়াওনা মফম কয়াদা ইম্মোবেবল অমসুং মোবেবল এসেটশিং লেপশিল্লম্মী হায়বসিনি। ৱাফম অসিমক মহাকপু কোর্টতা কষ্টদি অমসুং জুদিসল রিমান্দগীদমক পুথোরকখিবা খুদিংমক্তসু ঈ দিনা কোর্টতা ফোঙদোকই। অদুগা মহাক বেল পীদুনা থাদোকপা য়াদ্রি হায়রিবগী মরম্না থবকসিদা চেন্নবা কো-এক্যুজশিং ফাগদবা ৱাৎলি অমসুং রিকোভর/সিজ তৌগদবা পোৎলমশিংসু ৱাৎলি হায়বসিনি। মরম অসিনা মহাকপু হৌজিক লৈরিবা কেস অসিগী ষ্টেজদা বেল পীখিবা তারবদি কেসসিগী ৱিটনেসশিং মাঙহনখিগনি অমসুং ইনভেষ্টিগেসনদা হেম্পর-টেম্পর তৌরক্কনি হায়বসিনি।

মতাংসিদা থোরক্লিবা ৱাফমদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। হায়বদি হন্দক ঈ দিনা চপখৎলক্লিবা অসিগুম্বা থৌদোকসি মসিনা অহানবা নত্তে। মমাঙদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না চু শুম্বদৌনা চপখাইখিবা ফাইনান্সিএল কম্পেনি/গ্রুপ লৈখ্রে। তোঙান-তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা কেস কয়া লৌখৎপা য়াওখ্রে। চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎখ্রে। জুদিসল কষ্টদিদা ফাওবা রিমান্দ তৌরকপা য়াওখ্রে। হায়বদি অহানবা হৌদোরকপদা য়াম্না ফজরম্বা, লাই মালহন্দুনা মীয়াম পূম্নমক হুপচিলহল্লক্লগা মমৈথংদা হিংচাবা ওইরমদুনা 'পোঞ্জি স্কিম' ওইরকপগী থৌদোকশিং মশীং য়াম্লে হায়বনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগীদি লো এনফোর্সশিং এজেন্সী খরনা লৌখৎফম থোকপা লোগী থবকশিং লৌখৎলক্লবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি মসিগুম্বা থবকশিংসি ক্রক-ক্রক লাকশিন্দুনা কন্ত্রোল তৌনবা অকনবা থবকশিং পায়খৎলকপা উদ্রি। মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নরশিংদা দিজিগনেট তৌদুনা শীন্নরিবসিসু মঙম ইশান-শান্দবদৌনা তৌরি হায়বনি। অদুবু চৈরকসিদা লাক্লিবা ফীভমদি অসিগুম্বা পোঞ্জি স্কিমনি হায়রবা অকক্লবা কম্পেনি/গ্রুপ অমদা ফোংনা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংগী লূপ অমনা ফাওবা অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকপা য়াওরকপসিনি। ৱাফমসিগী মতুং ইন্না থবক্তা ওন্থোরকপা তারগদি লৈঙাক্লা অশিবা হকচাংশিং খোমজিনবগী ফীভমদা তারক্লোই হায়বা য়াখিগদৌরিব্রা হায়বনি। কম্পেনি/গ্রুপ হাংদোক্তুনা তৌরকপা মীওই খরগা অহেনবা শেনে দাই পাম্বদগী ইনভেষ্টর ওইরুবা মীয়ামগা মখোয় মশেল মান্নজদুনা তৌনজ খিবনি, লৈঙাক য়াওদে হায়দুনা লৈথোক্তুনা কুম্মৈ য়েংদুনা লৈবা য়াগদ্রা হায়বনি। মীশি-মীনা য়াওরক্লবদি য়ূম্মু শোয়দনা থিরক্কনি। মদ্বাইদা লৈঙাক য়াওদে হায়দুনা চেনবা য়ারোই। মরম অসিনা অসিগুম্বা হৌদোরকপশিং অমসুং ইনভেষ্টরশিংদা অকনবা মীৎয়েং থম্মু। চেকশিন্না য়াচল লাক্লবা হোৎনৌ। মখা তানা থোরকহনগনু। ইনভেষ্টর ওইরুবা, ওইখিগে খনবশিংনসু খোইনা চিকখ্রবা মতুংদা হয়িং পাইবা য়াদে হায়বদুগুম্নদনা হয়িং পাইরকপদসু লাপ্না হন্দোক্লগা লৈহৌবনা অফবা ওইগনি হায়নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১) **"নাউহোং"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"য়ুখল"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **"মীতৈ লোনগৈদা লোনয়ান"** কৌবা লাইরিক অসি মপান মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমনা খোমজিন্দুনা পুথোরকপনি। খোমজিন্দুনা পুথোরক্লিবা অসি কনানো?

৪) **"চীংয়াদা তময়াদা হৈকোলদা লৈকোলদা/ঈশিং চাইবীনা মরৈ হা-হা তম্বদা/লোক্লুংগী ঈফুৎ মচানা ত্রোং-ত্রোং লাউনা চেনবদা/শংবান্নবা অতিয়াদা উচেক্লা পাইবদা/অহিংদা চীংজাউনা তুমিন তুমিন্না লেপ্পদা/মেঙলবা মেরাগী থাবলদা/শুমহৎচরবসু মহৌশাগী ফজবদা/ইনিংলুদে শৈথাদুনা শৈরেং/অদুনা থি ঐনা অনৌ-অনৌবা মখল।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **"হৈদি"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপা লাইরিকনো অমদি মসিগী ওরিজিনেল অইবদু মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১০৯

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ঙসিগী ৱারেংসিদি ঐনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা নীংশিংবগী থোঙনাওদা হয়রিবা পরিং অসিদা হন্দক ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাঙদা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইনা মায়কৈ সলাই খঙদনা শন্দোকখিবা কছার লমগী ইমা ইবেম্মা অমখক্লা য়াম্না শাউনা ঙাঙখিবা মণিপুরী লীলা পার্টিশিংবু চৈথরকপগী ৱাফমদুগা তুশিন্নরগা মোংলকপা খরদং ইশাগী ৱাখল্লোন চিংশিঞ্জরগা অমদি অশেংবা পাউদমগা লোয়নননা পাশিন্নরগা ইজরক্কে। ওল অসাম মণিপুরী মৈরা পায়বী কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি হায়না থাবা পোদিয়ম অমগী মনাক্তা লেপ্লগা ঙাঙখিবদু য়াম্না শাথীনা হেনজিনবা ওইরবসু অচুম্বা খরবুদি লৈতবা নত্তে। লানগেরা-চুমগেরা, কাঙলক্লিবা ৱাদুমদি লাল্লবসু চুম্মৈ খল্লগা হায়রকপনিনা থোইদোক্লা তুকা থিদুনা ৱায়েৎচবগী ইতিক লৈতে। অদুম্নমক্তি ওইরগা, লন্নাই ওইনা খঞ্জবা অমদি খঙজবা ৱাফম খরদংদি মচিন কাংজরক্কে। সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল চৎখ্রবা ভিদিও অদুদা ঙাঙবীরিবদুগী অশম্বা ৱাদি - **"মতম হেক য়ৌরকপদা মণিপুরদগী লীলা পার্টি মথং মথং কছারদা লাক্তুনা শেন্দাল্লে। চহী অমদা লুপা ক্রোর অমগী মথক্তা হেন্না পুরগা চৎখি। মখোয়সি লাকপদা জ্বারগী ঈহৌ হেন্না হেন্না কনখৎলি। মরম অদুনা মসিদগী ঐখোয়না করম্না কনগদগে হায়বদু মীয়ামদা থমজনীংই"**।

ৱাফম অসি ইচম চম্বদি মাল্লগা, মণিপুরগী কাঙবু খরবুদি ঙমখৈ লৈতনা অরানবা তারগা, লমন খুন্নীংবা অমদি লৈবাক মাঙ তাক্লবগী থবক থৌরম তৌবগী চৈরাক পীনীংবা মানবগী ৱারম অমগী মমি তারি। ৱাফমসিগী মতাংদা ঙাঙবীরিবা অমদি থৌরমদুবু শিনবীরিবশিংদা নোল্লুকচরগা পূক্নিংদা মোংলকপা ৱাফম খরদংদি ঙসিগী ৱারেং অসিদা থমজরি, লান্না লৌবীদনবা অহানবদা হায়জরি। ঙাঙবীখিবা ইমা অদু য়াম্না শাউরে, মণিপুরগী লীলা পার্টিবু খম থেংনা ৱারৌরে। অদুবু মতাংসিদা থমজনীংবসি, হায়বিরিবা ৱাফম অদু হৌজিক মতমগীদি ওইরম্ললরোই। মরমদি হৌজিক্কানদি কনা অমত্তনা কছারদা লীলা শান্নবা চৎনদ্রে। লীলা হায়রগা ইমানা মরোল শুনা হায়বীদবনিনা শুমাং লীলাবু ওইনা ময়ামদা উহল্লে। তশেংবদি কছারদা চহী অমগী মনুংদা থা মরি-মঙা মুক্কী ময়াদা কোইনা চৎতুনা লীলা শান্নরক্লিবসিদি শুমাং লীলা খক্তা নত্তে, দ্রামানি মরু ওইনা। শুমাং লীলাসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু নাইন্টিন নাইন্টিজ মতুংদগীদি কছারগী মরুপ মপাংশিংনা কৌবিরক্তনা লীলা পার্টিনা মরন্নাই ওইনা শান্নজগে হায়না চৎপসিদি কয়া থেংনদ্রে। কছারগী মীওই খরনা শিল্লগা কৌরবদা ওইনা চৎনরে। মমাঙঙৈ দ্রামাগী অকনবা ঈহৌ লৈরিঙৈ মতমদদি লৈখিদ্রবা লৈবাকসিগী মমিং লৈরবা ওজাশিং- এলাংবম লৈকায়দগী জয় দ্রামা পার্টি হায়না খঙনরিবা ওজা এলাংবম জয়চন্দ্রগী কাঙবু, লৈখিদ্রবা হাওবম মরক্তগী ওজা লবুকতোংবম শ্যামো শর্মগী কাঙবু অসিনা কছারগী খঙন-চান্নবা অমা অনীনা হৌরগা মফম কয়াদা কোইনা চৎতুনা দ্রামা টিকেট কক্তুনা শান্নখিবগী ৱারীদি য়াম্না ময়েক লানা লৈরি। ওজাশিং অসিনা অনৌ অনৌবা লীলা কয়া মফমদুমক্তদা পানখৎতুনা দ্রামা উৎখি। টিকেট য়োনখি। হোই মদু শেন্দান লম্বী অমা ওইনা লৌবীবসু য়াই। মসিদা নত্তনা শুমাং লীলাগী কাঙবু অমা অনী - ঐখোয়গী মণিপুরদদি লীলা পার্টি ওইনা লিংদুনা ময়াম মরক্তা কন্না লৈবা নত্তবা, আর্টিষ্ট খরা খরা চোইখোম ওইনা খোমজিন্দুনা কছারদা/হোজাইদা লীলা শান্নবা চৎখিবগী ৱারী লৈরি। মদুগী মনুংদা য়াম্না মমিং লৈখিবশিং হৌজিকসু মীয়াম্না কাউনদ্রিবশিং অদুগী মরক্তা - ৱাবগাই ইবোচৌ পার্টি হায়বা অসিসু অমনি। ওজা অসি অসুক্কী মতিক কছারদা মমিং চৎলি। করিগুম্বা মতমদা জয় দ্রামা পার্টিগা হায়রিবা অসি ৱাবগাই ইবোচৌগী লীলা পার্টি লাক্লে হায়রবদি মখোয় দ্রামা উত্তে হায়বগী ৱারী ফাওবা লৈরিবনি। হৌজিক মসিগী মনুংদা ওজা ৱাবগাই ইবোচৌ হিংদুনা লৈরি। ৱারী খুদিংমক মঙোন্দগী ফংগনি। ঐনসু পুং অমা খরা হেন্না রেকোর্দ লৌদুনা থমজরি। ওজাশিং অসিগী লীলা শান্নবগী মওং মতৌদি লমদমদুগী মীয়াম্না পামগদবা লীলা খুদক খুদক্তা পুথোক্লগা, ৱারী অমা শেমদুনা লীলা শান্নবনি। অরিবা লীলাগী স্ক্রিপ্টশিংসু পুই, স্ক্রিপ্টশিংদুদগী খল্ল-খল্লগা নৎত্রগা কনাগুম্বা অমনা ৱারী লীরগা খুদক্তা লীলা ওইনা পাঙথোক্লগা ময়ামদা উৎপনি।

মসিদি অঙকপা থোইদোকপা মতিক ময়াই অমনি। মসিদা শান্নরিবা লীলাগী মওং অসিদি অয়াম্বনা দিৱালি খাওরগা মদুদা মীয়াম তিলহল্লগা, দিৱালি খাওবদা ফংবা শেনফম অদুনা লীলা শান্নবগী মমল পীবা, নৎত্রগা টিকেট কক্লগা ময়ামদু চঙলক্লগা লীলা চেরিটি ওইনা শান্নবনি। মদুনা পুদুনা লীলা পার্টি অমনা কয়া পুরমগনি। মতমদুদা লীলা অমা শান্নবগী মমলসি লুপা ৩০০/৪০০গী ৱানি। খরা হেল্লবদা লুপা ৫০০ লৌই হায়না মতমদুদা কন্না লীলা শান্নখিবা ওজাশিংনা হায়বীরমখিবা ৱাফম লৈরি। ইশম শম্না মণিপুরদা মমাঙঙৈ মেলা তৌবা কাঙবু অমা লাক্লগা, শ্বাইগী মী খরগা মান্নরগা মেলা তৌহল্লম্বা অদুগুম্বনি, মেলাদুদা মী তিন্দ্রগা মখোয়না অদুম মাঙজবা, তিল্লগনা মদুদা খরা ওইজবনি। মদুমক্তা চপ মান্নে হায়না খুদম পীজবদি নত্তে। ময়ামদুনা মপূং ফানা সপোর্ট তৌবীবদগী শান্নখিবা লীলা ঙাক্তনি হায়না থমজনীংবনি। লাক্লিবদু নখোয়না ঐখোয়গী লমসিদা জ্বারগী ঈহৌ হেনগৎহল্লে, নখোয় লাকপা য়ারোই, লীলা শান্নবা য়ারোই হায়রবদা কনা অমত্তনা মদুদা য়েৎপা ঙল্লমগনি হায়বা থাজজদে। অদুবু কছারগী ইপা-ইচা, ইচিন-ইনাও ময়াম পূম্নমক্লা লীলা শান্নবা য়ারোই হায়না হায়বীদুনা মফম পীদ্রবদা, লৈফম শিনবীদ্রবদা কনা অমত্তনা লম হেন্দুনা ঐখোয় শান্নদবা য়াদে, নখোয় দিৱালি খাও হায়বনচিংবা হায়রমগদবা মান্দে। মখোয় ময়াম চঙদুনা শিনবীরগা পাঙথোকখিবা ঙাক্তগী ৱারী ওইনা ঐমক্তি তাই। ইশামক লীলা তৌজরকপা অমা ওইনসু অদুগুম্বা অদুদা অমুক্তা য়াওরক্তে। খনবু খল্লুদে। লীলাগী পার্টিনা কছারগী মরুপ মপাং ইচিন ইনাওশিংবু জ্বার খেফম লিংদুনা মাঙ তাক্লবা থবকলোমদা লমজিংলমগনি হায়বসিদি থাজবা ৱাৎপা ৱাফমনি। ইমাদুনা তাকপীরিবা ৱাফমদু, মণিপুরগী লীলা কাঙবুনা (শুমাং লীলা অমদি থিএটর কাঙবুনা) জ্বারগী ইথক ইপোমদা ইরাক্লহনবদৌনা অদুক য়াম্না শাউনা ঙাঙবদু মীগী লৈতোনবুদি থিংবা ঙল্লুদ্রবসু চুশিন্নবা খরা ৱাৎলি হায়না থমজগে। চহী ৫০গী মমাঙ ৬০ মুক্কী অদুৱাইদা দ্রামা ওইনা মথক্তা পঞ্জাখ্রিবা ওজাশিং অদুনা দ্রামা শান্নরম্মী হায়বসিদি ঐনা অরিবা দ্রামাগী ওজা কয়াগী রেকোর্দ লৌদুনা থমজবদা তাকপীরম্মী। অদুসু কছারগী মীওইশিংনা শিনবীদুনা তৌখিবনি। অশিনবদুগা দ্রামাগী কাঙবুদুগা টিকেট পূন্না য়োনমিন্নরগা লীলা হোং হোংদুনা মফম অমদা নুমিৎ নীনিগুম্বা হুমনিগুম্বা ষ্টেজ চাউনা শাদুনা দ্রামা উৎখি হায়বসিমদি নাখৈ শেংনা তাজৈ। অসুম্না শুমাং লীলাগী কাঙবু ৱাবগাই ওজা ইবোচৌগী কাঙবুসু কোয়না চৎতুনা লীলা শান্নরম্বগী ৱারী তাজবা ফংই। হৌজিকসু ওজাশিংদুনা হায়বীবা রেকোর্দ ভিদিও ওইনা লোইনা লৈজরি।

ইশামক্লা য়াওজবা লীলাগী কাঙবুনা ঐনা লীলা য়াওরকপা চহী নিফুমুক্কী ময়াদা লাকখিবসি কুম মঙারক্কুম্বদি ওইখিমাল্লে খল্লি। মরমদি ঐখোয়বু কৌরক্ত্রবদি করম্না চৎলুগনি, অদুনা চত্তে। কৌরক্লবসু মতম শংনদদুনা কয়ারক হন্না চৎখিদে। ঐখোয়না চৎখিবদু কছারগী ইচিন ইনাও, ইপা ইতোন পূম্নমক্লসু শোয়দনা নীংশিংবীরমগনি, ঐনা হায়জরিবসি ঙসিদগী চহী ৩০-৪০গী মমাঙগী ৱানি। মতমদুদা ক্লবকী নহাশিংনা য়াম্না থৱায় য়াওনা শিনবীদুনা মাঙজৌননা টিকেট য়োন্দুনা হোৎনখিবনি। ঐখোয়না মফমদুদা লাকপা মতমদা লীলাগীদমক টিকেট য়োনবা লোইরমখি। হোই খরা থেংথরবা মতুংদদি মীওই খরনা ময়াম্বু য়েংহন্নীংবদগী কৌবীরকপসু য়াওই। ঐখোয় ইশানা লীলা শান্নজগে হায়দুনা চৎখিবদি অমা ফাওবা লৈখিদে। থেংথরক্লবা মতমদদি ঐখোয়সু লীলা শান্নবদা অদুক য়াম্না মায় পাক্লক্ত্রে হায়না হায়বা তাই। মরমদি ঐখোয়গী লীলাগীনি হায়দুনা চাউনা চাউনা শেম শাদুনা তৌরম্বদুগী মহুত্তা, পব্লিসিটি খরা চৎলগা লীলা তৌদৌরি হায়না মীয়ামদা খঙহনবদৌনা তৌরকপা উরকখি। অদুনা ওদিএন্স মরাং কায়না লাক্তবগী অৱাবা প্লে অমা অনীদা থেংনখি। মদুনা মরম ওইরগা, মতুং চৎপদা য়াম্না মুন্না খন্নরগা চৎপা তাই হায়না ঐখোয় ৱারেপ লৌখি। চৎসু চৎখিদ্রে। কৌবা লাক্লবসু, তৌগদৌরিবা চেরিটিগী মওংনচিংবা কয়া মুন্না খন্নরগা ঐখোয়না সেটিসফাই ওইদ্রবদি ঐখোয়গী ওইনদি চৎলকখিদে। কনাগুম্বশিংনা চৎলে হায়না লৌরগসু কনানা হৌজিক্কী মতমসিদা জ্বার শান্নরগা লীলা তৌবা য়াওরিবগে, মীৎনা উদ্রবনিনা য়াওই য়াওদেদি হায়জবা ঙমদ্রে। অদুবু ঐমক্লা খঙজবদা অদুক য়াম্না কা হেন্না পংচৎতা চৎলগা লীলা তৌবা অমদি কুম অমদা কছারদগী লুপা ক্রোর-ক্রোর পুরগা চৎলিগাইনা হায়বদুমদি হিসাবতু মুন্না পাহন্নীংবা ফাওই। ৱাফম অদুনা য়াম্না শাথীনা লান্না লৌখিবা য়াবগী মরম লৈগনি। মদুনা ইন্টিগ্রিটিগী ৱাহং ফাওবা লাকপা য়াই। শিৎতোকখিবা তিলাং হঞ্জিনবা য়াদে। হায়দোকখিবা ৱাফমদি শেংদোকপা য়াই। ঙাইহাক্কী ওইনা পংহায় হায়বা ওইরগদি খঙদ্রে, মদুমক্লা চর্জ ওইবা তারবদি ৱাফমসি অরুবা ওইনা লাক্কনি খল্লি। তুংলমচৎকী হৌরক্লিবা নহাশিংনা মণিপুরগী শুমাং লীলা অমদি দ্রামা তৌরিবশিংনা কছারবু মাঙ তাক্লবা থবকলোমদা খুমাঙ চাওশিন্না কুম খুদিংগী তৌবগুম্না লৌখিগনি। মুন্না খন্থবা মথৌ তাই। ●

# পুন্সিগী ঈচেলদা - ৪

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

পীক্লবা কংলৈপাক/মণিপুর কৌবা লমদম অসিগী পীক্লবা খুঙ্গং অমদা চাওরকখিবা মীওই অমা ওইদুনসু তম্বা ঙমদবা পুন্সিগী ঈচেলদা অসুম তাওথরকপনা তিল্লুরে মীরৈপাক্কী ঈশিং-নুংশিৎতা। পুন্সি হায়বসি অঙকপনি। অসিগুম্লবা পীক্লবা লমদম অমদা চাওরকপা ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলনা পীক্লবা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা অমুক থুংলুদুনা ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেল চেন্থগনি হায়বা কনানা হায়বা ঙমগনি। অসিগুম্লবা পীক্লবা ঈথৎ অসিদা লৈরে হায়দুনসু অচৌবা ঈপাক্তা চেন্থরিবা পুন্সি ঈচেল কয়াগা ঈচেল তিন্নদুনা পুন্সিগী ঈচেল চেন্থরোই হায়বসু লৈতেকো।



তম্বা ঙমদবা পুন্সিগী ঈচেলদা শক-চু, লোল, নাৎ, চাকচা যুথক মান্নবখক পুনশিন্দুনা ঐখোয়গী পুন্সিগী ঈচেলনা চেন্থগনি হায়বা করিসু লৈতে। শক-চু মান্নরবসু লোল, নাৎ, চাকচা-যুথক মান্নদবা চাইনিজ নিংঙোলনি ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলদা চেন্থমিন্নরি থাদোক্লবা য়াদ্রবা পুন্সিগী খোঙলোই ওইনা। শক-চু মান্নদবা অদুগা লমদমসু মান্নদবা মীওই কয়া অমসু ঐহাক্কী পুন্সিনা থেংনরুদুনা চেন্থমিন্নরি ঙসিসু।

অপীকপা ঈফুৎতগী হৌরকপা ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলনা অপীকপা টাইৱান কৌবা ঈথৎ অসিদা তিল্লুদুনসু ঙসিদি চেন্থরি ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলনা চাওখ্রবা য়ু এস এ হায়রিবা ঈপাক অসিদা চেন্থরিবা অচৌবা ঈচেল কয়াগা লোয়নননা। য়ু এস এ হায়রিবা মফম অসিদি লমগী পাক চাওবদবু য়েংলবসু, চাওখৎপদবু য়েংলবসু, লোলদা য়েংলবসু, শেন্মীৎলোন্দা য়েংলবসু হীরম খুদিংমক্তা লোইনা চাওবা হেনখ্রে হায়বদুনি। মফম অসিগী পাক চাওরবা ঈচেলদা চেন্থরিবা শক-চু, লোল, নাৎ কয়া খেৎনবা অসিগী মরক্তা লৈরি ৱাখল্লোল মান্নবা মীওই কয়া অমসু, তাওথমিন্নরি পুন্সিগী ঈচেলদা পূন্না।

অসিগুম্বা ঐহাক্কী পুন্সিনা থেংনরুবা মীওই কয়াগী মনুংদা আই এন বি এ, পি এন বি এ (ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন, প্রোফেসনেল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন) গী (আই এন বি এ) ফাউন্দর অমদি ৱর্ল্ড প্রসিদেন্ট ওইরিবা দেন্নি কাকোসসু অমনি। লম্ খুদিংমক্তা য়েংলুবদা ঐখোয় অনী য়াম্না খেন্নৈ। অদুম ওইনমক মান্নরুবা ৱাখল্লোল, মরু ওইনা নেচরেল ওইনা চৎচনীংবা মীওই ওইরুবনা মহাক্কা মায়কৈ মান্ননা চেন্থরি ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলদা। দেন্নি কাকোসকী পুন্সিগী ঈচেলদা থেংনরুবা মীকূপ অদুদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবদা ষ্টেরোইদস অমদি চাহৈদবা পোৎলম কয়াগী অকনবা ইরৈনুং অসিদা ইরাক্লদুনা লমখাংদা পুন্সি লোমখিবা য়ারিবা নৌনা হৌরক্লিবা শান্নরোয় কয়া অসিবু ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নরি অচুম্বা মায়কৈদা লমজিংবীদুনা।

মতৌ অসুম্না খেন্নবা কয়া লৈদুনসু মান্নবা ৱাখল্লোল অমদি পন্থুংদা যুম্ফম ওইদুনা পুন্সিগী ঈচেল চেন্থমিন্নরকপনা ঙসিদি আই এন বি এ, পি এন বি এগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ফম্বাকশিংদা মকোক তাজদুনা মিষ্টর ৱর্ল্ড, মিষ্টর ৱর্ল্ড কপ, মিষ্টর য়ুনিভর্স, মিষ্টর নেচরেল ওলিম্পিয়া অমদি মিষ্টর এসিয়াগী ফম্পাক্তা অহানবা মীংথোল অমগা লোয়ননা পূন্না মকোক থোংবগী মনা ১২দি ফংজরে। শান্নবুংগী ফম্বাক্তা মকোক থোংবা মনাশিং অসিগী মথক্তা আই এন বি এ, পি এন বি এনা পীবা খ্বাইদগী ৱাংনা, চাওনা লৌনরিবা ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইরবা মীংথোল নেচরেল বোদিবিল্ডিং হোল ওফ ফেম অমদি আই এন বি এ, পি এন বি এ ৱর্ল্ড এম্বাসেদর হায়বা মীংথোলসু ফংজরে। মসিগী মথক্তা আই এন বি এগী ফম্বাক্তা মিষ্টর ৱর্ল্ড হায়রিবা মীংথোল অসিবু অহানবা ওইনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরবু অমদি ঐহাক্কী অনীশুবা লমদম টাইৱানবু মহুৎ শিন্দুনা থোকচরুবা ফম্বাক্তা মালেমগী মকোক ওইরকখিবা অদুদা ইরমদমগী লূপ ১৫ হেনবনা পুনশিন্দুনা কংলৈ অথৌবা মপারি অমদি ইন্টরনেসনল ইরাবত ফাউন্দেসন এৱার্দসু পীবিরে ঐহাকপু নুংশিবীদুনা। পূম্নমক অসি ওইথোক্লমদবসু য়াই ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেলনা করিগুম্বা দেন্নি কাকোসকী পুন্সি ঈচেলগা থেংনরমদ্রবদি।

তম্বা ঙমদবা পুন্সিগী ঈচেলদা থেংনখি অহানবা ওইনা দেন্নি কাকোস সমুদ্রগী ঈশিং ঈপাক কয়ানা কোইনা কোইশিন্দুনা লাইরৈপাক্কুম নীংথিজনা থম্বীরিবা গ্রীসকী জাকিন্থোস হায়রিবা ঈথৎ অসিদা। মতমদু কুমজা ২০১৩গী ওগষ্ট থাদনি। খোঙচৎ অদু ঐহাক্কী ওইনদি অহানবনি আই এন বি এগী নেচরেল ফম্বাক্তা থোকখিবা। খোঙচৎ অদু ঐহাক্লা তাকপী তম্বীবা উরুপ্বেদা লৈবা ইটালিয়ন মচা অমগা চৎখিবনি। খোঙচৎ অদুদা মহাক্তি মনা অমত্তা ফংবা ঙমদবদগী ঐঙোন্দা ৱারৌদুনা পুন্সিগী ঈচেলদা তাওথমিন্নবা অদুম লেপখ্রে। ৱাখল্লোলবু মান্নরবদি শক-চু, লোল, নাৎ মান্নদ্রবসু অদুম তাওথমিন্নবা য়াই পুন্সিগী ঈচেলদা। অদুম ওইনমক ৱাখল্লোন মান্নদ্রবদি পূম্নমক মান্নদুনসু, লৈমিন্নদুনসু পুন্সিগী ঈচেলদা ঈচেল তিন্ননা চেন্থমিন্নবা য়াদে হায়বা তারে অদুম উন্নখিদ্রে মহাক্লা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা লল্লোল ইতিক তৌদুনা লৈরবসু।

মতৌ অসুম্না গ্রীসকী জাকিন্থোসতা উন্নখিবা মীকুপ অদুদগী হৌদুনা পুন্সি ঈচেল তিন্ননা অসুম চেন্থমিন্নরকপনা ঐহাক্কী ৱাখল্লোল অমদি পূক্নিংবু মরীক চুম্না খঙবীবদগী শান্নরোয় অমা ওইনা মশক খঙবীবতা নত্তনা লুচিংবা অমা ওইনা লৌবীদুনা এসিয়া পূম্বদা আই এন বি এ শন্দোকপদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরো হায়দুনা কুমজা ২০১৭তা আই এন বি এ গ্লোবেল এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা ঐহাকপু ফম পুহনবা হৌখি। অসুম্না এসিয়া পূম্বগী আই এন বি এগী প্রসিদেন্ট ওইনা ফম পুহনখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবা চেন্থরক্লি ঐহাক্কী পুন্সিনা নেচরেলগী ঈহৌবু শৌগৎচদুনা।

ঐহাক্লা আই এন বি এ গ্লোবেল এসিয়াগী প্রসিদেন্ট হেক ওইবগা মদুগী অফবা তাঞ্জা অদুবু লৌজদুনা ইহান হানবা ওইনা পাঙথোকচখি আই এন বি এ গ্লোবেল এসিয়াগী মখাদা অহানবা লিজেন্দরি মিষ্টর মাইপাক এন্দ ডা. ঙাঙবম মীতৈ নেসনল লেভেল নেচরেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা। শান্নরোয় চাম্মা হেনবনা শরুক য়াবীদুনা হোলদো য়েংবা লাকপীবা মীওই কয়ানা কৃক-কৃক ইন্নবমখৈ তিন্দুনা য়াম্না চাউনা মায় পাক্লা পাঙথোকখি। মদুগী মথংদা কুমজা ২০১৮দা বেঙ্গলোরদা আই এন বি এ ইন্দিয়া লোঞ্চ তৌখি, লোয়ননা কুমজা ২০১৮দা আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনলস পাঙথোকখি য়াম্না মায় পাক্লা। অদুগুম্বা অহানবা আই এন বি এ গ্লোবেল এসিয়াগী মীৎয়েং মখাদা আই এন বি এ ইন্দিয়ানা পাঙথোকপা নেচরেলগী ফম্বাক অদুদা ইরমদমগী নেচরেল শান্নরোয়শিংনা য়াম্না নীংথিজনা শরুক য়াদুনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরনা অনীশুবা টিম এৱার্দ ফংলকখি। অহানবা মনাদি য়ূম্বু ওইরিবা কর্ণাটকানা লৌখি।

মসিগী মতুং তারকপদা, আই এন এ গ্লোবেল এসিয়াগী মীৎয়েং মখাদা অহুমশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখি কর্ণাটকাগী বেঙ্গলোর সিটিদা। হায়রিবা মালেমগী ওইবা চাংদম্নবা অসিদদি ইরমদমগী শান্নরোয়শিংনা মশীং হেনবা মকোক মথং তাদুনা টিম চেম্পিয়ন ফাওবা ওইদুনা কংলৈ ইমাবু শক তাকখি অমদি মীনোক তমহনখি। মদুদা টাইৱানগী সিটিজন অমা ওইনা লৈখ্রবসু কয়াদা চাওথোকচখিবা ঐহাক্কী থম্মোয়না ইরমদমগীদমক। আই এন বি এ ইন্দিয়া লোঞ্চ তৌবা, আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনলস অমদি এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল পাঙথোকপদা ঐহাক ইশামক আই এন বি এ গ্লোবেল এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা কৌবীরক্তুনা শরুক য়াখিবনি।

মদুগী মতুং তারকপদদি কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকখিবগা আই এন বি এ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী মশাগী ওইবা অয়েৎপা ফীভম খরা লৈখিবগা চাংদম্নবা অমত্তা পাঙথোকপা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক মমাঙ চহী ২০২২দা ইরমদমগী আই এন বি এ মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা ঐহাক ইশামক লাক্তুনা ঐহাক্কী লমজিং মখাদা পাঙথোকখি অহানবা নেচরেলগী ওইবা আই এন বি এ ষ্টেট লেভেল চাংদম্নবা। চাংদম্নবা অদু দোপিং টেষ্ট তৌদুনা পাঙথোকখি।

অসিগুম্বা অফবা, অচুম্বা খোঙথাং অসিবু থুগাইরগে, লেপহল্লগে মতাগুম করোমদগীনো খঙহৌদবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা মনীং তম্না মায়কৈ চুম্না হোৎনজরম্বা ঐহাক্কী পুন্সিগী হিনাওবু মায়কৈ অমরোমদা হুমদোকখিদুনা ইরাক্লখি কেন্সর কৌবা ইরৈনুংদা। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।